স্টেট জুনিয়র বোইজ অমদি ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট

# লিন্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ, থৌবাল পোলো মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা জুনিয়র বোইজ অমদি ১৮শুবা ৱিমেন্স স্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা ৱিমেন্স পোলোগী অহানবা মেটচতা লিন্থোইঙানবী কাংজৈ লূপনা চীঙ্খোংহুনবা পোলো ক্লবপু ৮-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিন্থোইঙানবী কাংজৈ লূপনা অহানবা চক্করদা গোল ২, অনীশুবা চক্করদা গোল ৩, অহুমশুবা চক্করদা ১ অমদি মরিশুবা চক্করদা ২ চনবা ঙমখি। চীঙ্খোংহুনবা ক্লবকী মায়কৈদগী অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা চক্করদা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

কে ঐচ দেবেন্তিনা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ০.২৬তা লিন্থোইঙানবী লূপকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিমক্কী শান্নবগী ৫.০৩ অদুগা অনীশুবা চক্করগী ২.৪৫, অহুমশুবা চক্করগী ৬.২১ অমদি মরিশুবা চক্করগী ৪.৫৫দা গোল ৪ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

এম বিজেন্তিনা অনীশুবা চক্করগী ২.৫৮দা লিন্থোইঙানবী লূপকী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। এম প্রিয়ানা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৫.০২ অমদি অরোইবা চক্করগী ৩.৫৪দা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

চীঙ্খোংহুনবা পোলো ক্লবকী গোল অহুম অদুনা কে ঐচ চাওবনা অহানবা চক্করগী ২.৩০দা গোল ১ অদুগা কেপ্টেন নিলু আর কেনা অনীশুবা চক্করগী ৬.৩০ অমদি অহুমশুবা চক্করগী ৩.২০দা গোল ২ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা এন কোকেশ্বর অমদি টি ঐচ জেকোবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, জুনিয়র নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা পেরেদাইজ পোলো ক্লব ৱাঙ্খেবু লাকচনা ১০-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ওক্রম রাহুলনা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ১.৫২দা থৌবাল পোলোগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা চক্করদা গোল ৪ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। কেপ্টেন টি ঐচ পামহৈবনা অহানবা চক্করগী ২.৫৬তা থৌবাল টিমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিগী শান্নবগী ৪.৫৬তা গোল ১গা হাপচিনখি। অদুগা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ৬.৪৪দা থৌবাল টিমগী মায় পাকপগী ১০শুবা গোল চনবা ঙমখি।

এম অভিগ্যান অমদি অভিজিৎ টি ঐচনা অহানবা চক্করগী ৫.৫২ অমদি ৭.১২দা থৌবাল টিমগী মায় পাকপগী ৪শুবা অমদি ৫শুবা গোল চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাইনুমিৎতা ৱিমেন্স পোলোগী মেটচ অমদা লমন পোলো ক্লব অমদি কে এম এম রাইদিং স্কুল শীংজমৈ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# য়ু-১৭ ৱিমেন্স ফিফা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী ফুটবোল্লর ৭ চীফ মিনিষ্টরনা তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা চহী অসিগী ওক্টোবরথাদা পাঙথোকখিবা অন্দর-১৭ ৱিমেন্স ফিফা ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী নুপী ফুটবোল্লর ৭ ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা সী এম বঙ্গলোদা তরাম্না ওকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মতেং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা লমশাংগী এম এল এ সোরোখাইবম রাজেনসু শরুক য়াখি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুদি মোইরাংথেম মোনালিসা, কৈশাম মেলোদি চনু, হেমাম সিল্কি, লিসম ববিনা, লিন্দা কোম সর্টো, লাইশ্রম রেজিয়া অমদি লোকতোংবম সেলিয়ানি।

নীংশিংবা য়াবদি, হোষ্টকী খূদোংচাবা ফংদুনা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ানা গ্রুপ এদা য়ু এস এ, ব্রাজিল অমদি মোরোক্কোগা পূন্না তামিন্নখি। গ্রুপ ষ্টেজতা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা ইনিদয়ানা মরিশুবা অদুগা মোরোক্কোনা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা লৈহৌখি। ব্রাজিল অমদি য়ু এস এ অনীনা পোইন্ট ৭/৭ ফংলগা রাউন্দ ওফ ১৬ চঙবা ঙমখিবনি।

ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা ওক্টোবর ১১দা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচতা য়ু এস এগী মখূৎতা ০-৮, ওক্টোবর ১৪দা মোরোক্কোগা শান্নখিবা মেটচতা ০-৩ অমদি ওক্টোবর ১৭তা ব্রাজিলগা শান্নখিবা মেটচতা ০-৫দা মায়থীহৌখিবনি।

ৱর্ল্ড কপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা অরিংবা টিমশিংগা থেংনবা ঙম্বগী পাঙ্গল থৌনাশিং উখোকখিবনি।

# ক্লাসা এফ সীনা ১৩শুবা লোক্তাক ট্রোফিগী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ওল মোইরাংফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাংগী ঙাংখ লম্পাক্তা চথরকপা ১৩শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্লাসা) কৈনৌনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ৱিন্নর ওইখিবা ক্লাসা এফ সীগী এস ঐচ রাজধাননা বেষ্ট প্লেয়র অদুগা গোলকিপর এস সনাতোননা বেষ্ট গোলকিপরগী মনা ফংবা ঙমখি।

অমোফা মোইরাংগী সমির, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী ভগিরথ অদুগা ক্লাসা এফ সীগী এন মোমোচা অমদি লক্কিনা গোল ২/২ চন্দুনা তোপ স্কোররগী মনা ফংমিন্নখি। হোষ্ট টিম ওইরিবা অমোফা মোইরাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফেয়র টিমগী মনা ফংবা ঙমখি।

ক্লাসা অমদি সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে ঐচ লক্কিনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা ক্লাসা এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এস ঐচ রাজধাননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা ক্লাসাগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু ২-০দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি হেমন্তনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী হেনরি অমদি ক্লাসাগী ও সনাতোম্বা শান্নবগী ৫৪ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ৱিন্নর ওইখিবা ক্লাসা এফ সীদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৭০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি। রন্নর্স অপ তাখিবা টিমদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০গী শেলগী মনা অমদি ইন্দিভিজুএল প্রাইজ ফংখিবশিংদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৪/৪গী শেলগী মনাসু খূৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসি এল ঐচ পি সী লিমিটেদ লোক্তাক পাৱর ষ্টেসননা স্পোন্সর তৌদুনা থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা টিম ৬না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারকখিবনি।

৬শুবা নেসনল আর্ম-স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তারক্লে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীগী টলকাটোরা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৩দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৬শুবা নেসনল আর্ম-স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা পি নাওচানা সিনিয়র ৱিমেন, কে দেপোলিননা মাষ্টর মেন, বিশ্বজিৎ লাহোননা সিনিয়র মেন অমদি অদিত্য ৱাইরোকপমনা জুনিয়র মেন চেম্পিয়ন ওফ দি চেম্পিয়নগী মনা ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী চিলদ্রেন গ্রুপতা এল বোথেনা নুপাগী কেজি ৪৫ মথক অমদি এল অঞ্জলিকানা নুপীগী কেজি ৩৫ মথক্কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। য়ূঠ গ্রুপতা টি ঐচ তাইবংঙানবা অমদি এল থৌঙম্বনা নুপাগী কেজি ৫৫ মথক্কী কাঙলূপ্তা অহানবা অমদি অনীশুবা অদুগা ৱাই উর্মিলানা নুপীগী কেজি ৪৫ মথক্তা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

জুনিয়র নুপাগী কাঙলূপ্তা গোংশিনকাও অমদি এল লাবোইনা কেজি ৫০গী অহানবা অমদি অনীশুবা, এল ব্রেন্দননা কেজি ৫৫, এন চিত্রেশ্বরনা কেজি ৬০ অমদি অদিত্য ৱাইরোকপমনা কেজি ৬৫ মথক্তা অহানবা পোজিসনশিং তাখি।

সিনিয়র নুপাগীদা অতোম মিলা, সুরেন্দ্রো, এল জিম্বোই, এল ইনাও, মাইস্নাম সনামনিক, টি ঐচ মিলন, সনাথোইবা থোকচোম অমদি বিশ্বজিৎ লাহোননা কেজি ৬০, ৬৫, ৭০, ৮০, ৮৫, ৯০, ৯৫ অমদি ৯৫ মথক্তা অহানবা পোজিসনশিং তাখি। নুপীগীদা এল বিজনা, কে ঐচ লিন্থোইঙম্বী অমদি পি নাওচানা কেজি ৬০, ৭০ অমদি ৭৫ মথক্তা অহানবা পোজিসনশিং তাখি।

মাষ্টর নুপাগীদা অতোম মিলন, টি ঐচ ওথেলো, কে দেপোলিন, কে ঐচ বুধ অমদি এল প্রেমসননা কেজি ৬০, ৬৭, ৭৪, ৮১ অমদি ৮৮ মথক্তা অহানবা পোজিসনশিং তাখি। নুপীগীদা এম বিনোতা অমদি কে ঐচ লিন্থোইঙম্বীনা কেজি ৫৭ অমদি ৭২দা অহানবা পোজিসনশিং তাখি।

ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট

# সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীগী প্লে ৭ ফুটবোল টর্ফতা চথরিবা অনীশুবা কোলোনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট ঙসি গ্রুপকী লীগ মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা টিম মরিনা গ্রুপকী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স ওইদুনা থা অসিগী ২৩দা সেমীফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

অহানবা সেমীফাইনেল ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০দা গ্রুপ এগী ৱিন্নর নেরাও এফ সী অমদি গ্রুপ বিগী রন্নর পোলোই এফ সীগা শান্নরগনি। নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ১১.৩০দা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি অমদি গ্রুপ এগী রন্নর এস এস সী পোরোম্পাৎকা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি।

ঙাংখ লম্পাক্তা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী লীগ মেটচ অমদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু ১০-৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্লাসিক একাদেমিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দেটোল এম, পাওনম গোবিন, হাওবম তোম্বা, সী ঐচ দিমঙেল, ৱাই বন্তি, ৱাই রোহিৎ অমদি রেনেদি নিংথৌজমনা চনবা ঙমখি। পুলিস টিমগী গোলশিং অদুনা এম বোবোইসনা, হাওখোসাই অমদি খেম বি কেনা চনখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পোলোই ফুটবোল একাদেমিনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেবু ১০-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

পোলোই টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সাজন, সোনালিস, অকাশ অমদি নৱাজনা চনখি। ঈ এস য়ুগী গোল ২ অদুনা এস রাহুল অমদি এম পৈথেমনা চনখি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# ৱাই এ সীনা ৱাই পি ঐচ য়ু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়াইস্কুল এথলেটিক্স ক্লব (ৱাই এ সী) য়াইস্কুলনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) ললাম্বুং মখোঙবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ললাম্বুং টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩১.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৬৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৪ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ললাম্বুং টিমবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা য়াইস্কুলগী ওইনাম কিরন অমদি কৃষ্ণনন্দ খ্বাইরাকপমনা ওভর ৬ অমদি ৭ লংবদা ৱিকেট ৩/৩ অদুগা অবোচা লাইশ্রমনা ওভর ৫.৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌদুনা বোলিংগী বেষ্ট পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

ৱাই পি ঐচ য়ুগী ইরোম সন্নিনা বোল ৪১দা রন ৬০, ৱাই এ সীগী ও কিষননা বোল ৬৩দা রন ৩৬ অমদি টিম অসিমক্কী অমিট মাইস্নামনা বোল ৩৫দা রন ৩০ লৌদুনা বেটসমেনগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

লোইশিল্লকপদা ৱাই এ সীগী ওইনাম কিরননা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা কে সী দি ও কোংপাল অমদি এম পি এ থৌনাওজম লম্বা তৌনরগনি।

# বোক্সর সুরেশতা শেলগী মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): হরয়ানাগী রোহটকতা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা থাঙ্গ এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা কাংশোইবী মপালদগী সঞ্জম সুরেশকী অপোকপা ইঙোচাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী ফন্দদগী বিষ্ণুপুরগী এস পি, এন হেরোজিৎ মৈতৈগী খূথাংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লিশিং ১০ খূৎশিন্নখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পূক্নিং থৌগৎপা অমদি শেলগী তেংবাঙ খূৎশিন্নবা থৌরম অদুদা এদিসনেল এস পি লো এন্দ ওর্দর সত্যম তখেল্লম্বম, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল দেবানগা লোয়ননা এসোসিএসনগী থৌ পুবশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

সঞ্জম সুরেশ কুম্বী কোলেজদগী রিপ্রজেন্ট তৌরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্টতা শান্নরবা মতুং সেলেক্সন ফংলকখিবনি। মহাক টুর্নামেন্ট অসিগী কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগনি।

থৌরমগা মরী লৈননা এস পি, এন হেরোজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, সঞ্জম সুরেশ হৌজিক-হৌজিক ভি দি এফ ওইনা এস পি বিষ্ণুপুরগী এম টি সেক্সনদা পোষ্টিং তারিবা পর্সনেলনি। মহাক্কীদমক ঐখোয়না চাওথোকচৈ। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা ভি দি এফনা অচৌবা থৌদাং লৌরি অমদি ওল ইন্দিয়াগী ওইনা পাঙথোকপা বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়খি।

# সঙ্গাই অংথা, বি পি ৱাই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা থিঙুজম ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা সঙ্গাই এফ এস অংথানা মঙাল ক্লব বাশিখোংবু লাকচনা ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অংথা টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ওলেনজিৎনা শান্নবগী ৮ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা জিন লোইতোংবমনা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইম অমদি শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা গোল ২ অমসুং রোহিটনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা বি পি ৱাই সী বাশিখোং পান্থোইবীনা ৱাই দি সী ক্যামগৈ মুস্লিমবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। বাশিখোং টিমগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু আই ইন্দ্র অমদি এল জোন্সননা শান্নবগী ৮ অমদি ৯শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। ৱাই দি সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মুষ্টাকনা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা ৱাই দি সীগী ইনাওচা অমদি রোশন য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# মেদল ফংলকখ্রবা ষ্টেটকী সাইক্লিষ্টশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা অসাম সাইক্লিং এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১১দগী ১৫ ফাওবা গুৱাহাটিগী এল এন আই পি ঈদা পাঙথোকখিবা ৭৪ শুবা সিনিয়র, ৫১শুবা জুনিয়র অমদি ৩৭ শুবা সব-জুনিয়র নেসনল ট্রেক চেম্পিয়নশিপকী তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংদা মেদল ফংলকখ্রবা ষ্টেটকী নুপা অমদি নুপী সাইক্লিষ্টশিং ঙসি খুমন লম্পাক্কী সাইকল ভেলোদ্রোমদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না শীন্দুনা তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা মহারাষ্ট্রগী নাসিকতা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৭তগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল রোদ সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ ২০০৩দা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী সাইক্লিষ্ট ১৬ অমসুং ওফিসল ৫বুসু য়াইফ থৌজাল পীখি।

অমরোমদা, থৌরমগা মরী লৈননা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা লৈবা থম্বালনু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী চহীগী টুর চৎপদা মহৈরোয় নুপীমচাশিংনা তোংলিবা বস এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই ৯ লৈখিদবা অদুগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা ওইনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ভাইস প্রসিদেন্ট এম এন থম্বৌ অমদি সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ঈ ভুমেশ্বরনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্টর ষ্টেট-ইন্টর জোনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ওরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা চথরকপা য়োনেক্স সনরাইজ ৪৫ শুবা ইন্টর ষ্টেট-ইন্টর জোনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুরনা ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

ইন্টর জোনেল টিমদা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি ঐচ মালেমঙানবা, সির্জিৎ মোইরাংথেম, ঐচ রোহেনকুমার, আর কে এলেন অমদি জোমি সিঙামনি। অদুগা নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা এল দাইনা, এন প্রিয়া, লিওনি তায়েঞ্জম, এলিনা এম অমদি ভিলিন্দা হুইদ্রোমনি।

ইন্টর ষ্টেট ওপনগী অন্দর-১৯ বোইজ সিঙ্গলসতা ঐচ মালেমঙানবা, সির্জিৎ মোইরাংথেম অমদি জোমি সিঙাম; গলর্স সিঙ্গলসতা লৈমপোকপম দাইনা অমদি এম প্রিয়া; বোইজ দবলসতা ঐচ রোহেনকুমার অমদি আর কে এলেন, বোরিশ সলাম অমদি কাসপোরোভ অহন্থেম অদুগা গলর্স দবলসতা এল দাইনা অমদি ভিলিন্দা ঐচ অদুগা সগোরিকা এন অমদি এলিনা এমনি।

মিক্স দবলসতা ভিলিন্দা ঐচ অমদি সির্জিৎ মোইরাংথেম অদুগা সনানু এম অমদি কেলভিন পি ঐচনি।

# পি টি আর সীনা রন ২২৯দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অনীশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি আর সী পাৎসোইনা মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙামখাবু রন ২২৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা পাৎসোই টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৩.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ৩৩৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা মোদেল ক্লবনা অপীবা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৫ তুরগা শুপ্পগী রন ১০৬ লৌদুনা মোদেল টিমগী মখূৎতা রন ২২৯দা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা পাৎসোই টিমগী কোইজম রঞ্জিতানা ৱিমেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

# ষ্টেট জেন্দোকাই কারাটে শান্নরোয় ৫৫না নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি


ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীগী অদ্যাটম সাধনা কেন্দ্র ইন্দোর হোলদা থা অসিগী ২১দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র নেসনল জেন্দোকাই কারাটে চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৫৫ অমদি ওফিসল ৪ পূন্না মীওই ৫৯না শাবা ষ্টেট জেন্দোকাই কারাটে টিম ওল মণিপুর জেন্দোকাই কারাটে এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি এম দি মুজিবুর রাহমন (নুপাগী টিম কোচ), কবিতা লোংজম (নুপীগী টিম কোচ), এন রোবর্টসন (টিম মেনেজর) অমদি এম মালেমঙানবা (টিম ওফিসল)নি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা তানিয়া লোইতোংবম, ঐচনন্দেশ্বরী, খুলেম রোশনী চনু, সোরোখাইবম য়াইস্নবী, দল্লিয়ু ধনেশ্বরী, সোরেনশংবম জেসিত্রা, নফিসা শাহনি, সুভানি মকক্, মোইরাংথেম লিন্থোই চনু, এল সোফিয়া, হৈখাম দয়ানী, কবিতা লোংজম অমদি সিঙ্গামযুম তাজভানুনি।

নুপা শান্নরোয়শিং অদুনা টি ঐচ নোংদম্বা, অসেম ন্যুসন, অভিরাজ নামৈরাকপম, হুইরেম নিংথিবা মৈতৈ, সুদরশন কৈশাম, মুতুম য়ুবরাজ, টেনিসন থোঙাম, সোরেনশংবম থোইলেন, থিঙুজম রিশন, এল রিশিকুমার, সী ঐচ রঞ্জন মৈতৈ, সোলিন ৱাইখোম, টাইসন ৱাইরোকপম, রিওবাশ মোইরাংথেম, কে ঐচ হরিদাশ, পুলৈ খোমদ্রাম, ভুমিট সনসন, অস্বিনি খাঙেনবম, অরিফ খান, এম জি দেনিশ, খুন্দোংবম হ্বাইট, মোইরাংথেম জোনসনা, নরেশ মুতুম, সলাম হেনবা মৈতৈ, রোহিট পোল, রিটিশ কুমার থিঙুজম, এম দি সদাম, এম দি অজিজ খান, অকাশ কুমার, অকোইজম দাইমন্দ, এন নেলসন, অশিক খান, কোন্সম জোতিন, সী ঐচ বোরিশ, কে ঐচ ওসিন, রোহিট ৱাইরোকপম, অমজিৎ সেরাম, পি মংলেমজাও, এম সদানন্দ, মোইরাংথেম লোয়াঙম্বা, মোইরাংথেম মালেমঙানবা অমদি সগোলশেম বসন্তনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 667**

**FM Maksim Omariev (2304) - CM Roman Jiganchine (2205)**
**Titled Tue 18th Oct Early chess.com INT (9), 2022.10.18**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.g4 d5 | 2.Bg2 c6 | 3.h3 h5 | 4.g5 g6 |
| 5.d4 Bg7 | 6.h4 Bf5 | 7.c3 e5 | 8.dxe5 Bxe5 |
| 9.Nf3 Bg7 | 10.Nbd2 Ne7 | 11.Nd4 Nd7 | 12.e4 dxe4 |
| 13.Nxe4 Bxe4 | 14.Bxe4 O-O | 15.Be3 Ne5 | 16.Qc2 Ng4 |
| 17.Bd2 c5 | 18.Nb3 Qc7 | 19.Rf1 a5 | 20.Nc1 Rae8 |
| 21.Ne2 Nc6 | 22.O-O-O Qe5 | 23.f3 Qe7 | 24.Nf4 Nge5 |
| 25.Nd5 Qe6 | 26.Nc7 Qxa2 | 27.Nxe8 Rxe8 | 28.Bf4 Nc4 |
| 29.Bd5 Re2 | 30.Qxe2... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 666 Ans. :**

28. g3 Qxh3 29. Bg4 The white bishop deflects Black's queen away from protecting the square h6, the square g2, the square h1 and the square h2. Qxg4 30. Qh6 Qd4+ 31. Kg2 Qb2+ 32. Kh3 Qxa2 33. Qg7# Lolli's mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com